## ‘টেক্স পীদবদগী ড্রাইভর ফুরক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* পুরগা ময়ূমদা থোরকখি। মহাক্কী গাড়ীনা তেংনৌপলগী চমোল খুল য়ৌরকপদা খুল অসিদা লৈবা হান্নদগী হৌনা কুকি লালহৌবশিংনা টেক্স লৌফমদা ঙাইদুনা লৈরম্বা মীওই খরনা মঙোন্দা মহৌশাগুম্না লুপা ২৫০ পীরম্নবা খঙহনখি। অদুবু মহাক্কী গাড়ীদা পেসেঞ্জর অমদি পোৎ য়াওদবা অদুনা মরম ওইরগা মখোয়না হায়রিবা শেনফম অদু পীবা ঙম্লোই হায়খি। মদুদা লুপা ১০০ দং ওইরবসু পীয়ু হায়বদা পীবা ঙমখিদে। মদুদগী মহাকপু মফম অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং অদুনা মমায়দা নোংমৈ মনীংগুম্বা পোৎশক অমনা শুজিল্লকপা য়াওনা কাওবা থিনবা তৌরকখিবনি হায়রি। মহাক্কী মমায়দা ঈ থোকপা উবদগী মীওইশিং অদুনা মফম অদুদগী থুনা চৎখ্রো হায়না তাল্লকখিবনি। মদুদগী মহাকসু অকিবা অমগা লোয়ননা শোক্লা শোক্লা অদুমক লাক্লগা জিবন হোস্পিটাল ককচীংদা লায়েংখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়ারমখিবা ইম্ফাল মোরে লম্বীদা গাড়ী থৌদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মশক মমিং তাকথোক্লীংদবা ড্রাইভর অমনা ঐখোয়গী পাউ মীদা ফোঙদোরকপদা লম্বী অসিদা লালহৌবশিংনা চহীগী টেক্স অমসুং নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওইবা পোৎ চৈ পুবগী টেক্স হায়না মখল অনী থোক্লা লৌরি। চমোল হায়রিবা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর অমা ফাওবা ফাদনা লৈরিবা খুল অসিদা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) গী মখাদা লৈরিবা লালহৌলূপশিংগী অপূনবা ওইনা চহী অমদা গাড়ী অমমমদগী টেক্স ওইনা লুপা ১,৫০০/১,৫০০ লৌরি অদুগা নোংমগী পোৎ চৈ পুথোকপগী ওইনা গাড়ী অমমমদগী লুপা ২৫০/২৫০ নমদুনা লৌরি। অদুগা মোরে ফোরেষ্ট গেট মনাক্তনা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী মখাদা লৈবা লালহৌলূপ অমনা গাড়ী অমমমদগী লুপা ১০০/১০০ নমদুনা লৌরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা ইফোং ফোংনা লালহৌবশিংনা টেক্স লৌরিবা অসি পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খঙনা খঙনা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরি। মসিনা তাকপদি লালহৌলূপশিং অসিনা সুগী ৱাংমদা ফোংনা শেল খায়বদা অয়াবা পীথোক্লব্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা মোরে, তেংনৌপল অমদি পল্লেলদা লৈরিবা পুলিসকী চ্যেক পোষ্টশিং অসিদা লুপা ৫০দগী ১৫০ ফাওবা গাড়ীশিংদা করম্বা মখলগী টেক্স ওইরিবনো খঙদনা অদুমক লৌবীরি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা গাড়ী থৌজ দুনা হিংজরিবশিংদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্নহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদনা খুদেংথাবীদা লৈবা অসাম রাইফলসনা লম্বী অসিদা লোনা য়াবা পোৎ পুথোক পুশিন তৌরিবা পোৎ লোদ হেন্না পুবা য়ারোই, লোদ হেল্লি হেন্দে হায়না অয়েৎপা-অপনবা কয়া অমসু পীবিরি। অদুগা মখোয়গী কেম্পকা নক্লনা লৈরিবা খুনমীশিংনা পোৎ চৈ ময়াম ময়াম পুথোক পুশিন তৌবদনা করিসু হায়দে, মীচং মীখাই নাইবা মানবগী থৌওং অমসু চত্থরি। পূম্নমক অসি লৈঙাক অসিনা য়েংশিনবীরগা মহৌশাগুম্না লোনা য়াবা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা য়ানবা শিনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিংসু চিংশিল্লক্লি।

## মহারাষ্ট্রদা সিভ সেনা মশেন উংখৎনরিঙৈ মরক্তা টিম উধবতগী মীওই ৭ সিন্দে কেম্পতা য়াওরবা য়ানা লৈরে





মুম্বাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়রম্বা সিভ সেনা পার্টিগী মরক্তা ফেক্সন তারকখ্রবা মতুং একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা টিমনা উধব থাক্রেগী সেনা টিমবু মায়থিবা পীদুনা অনৌবা সিভ সেনাগী লৈঙাক অমা শেমখ্রবা মতুং ফেক্সন অনীগী মরক্তা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি।

ফেক্সন অনীগী মরক্তা থা খরগী মমাঙদগী চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লিঙৈ মরক অসিদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা লুচিংবা টিমদগী এম পি অনী অমসুং এম এল এ ৫ হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা একনাথ সিন্দেগী কেম্পদা য়াওরবা য়ানা লৈরে হায়না সিভ সেনাগী লোক সভা মেম্বর ক্রুপাল তুমানেনা ফোঙদোরক্লি।

সিন্দে গ্রুপতা য়াওরিবা এম পি তুমানেনা ফোঙদোকখিবদা থাক্রেগী গ্রুপতগী তোক্তুনা সিন্দেগী গ্রুপতা লাক্কদৌরিবা এম পি অনী অদু মুম্বাই অমসুং মরথৱাদা রিজনদগীনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম মখোয় সিন্দেগী কেম্পতা য়াওরক্লগনি। চীফ মিনিষ্টর সিন্দেগী গ্রুপনা এম পি নৎত্রগা এম এল এ অমত্তদা মখোয়গী মতেং পাঙলক্লবা হায়জরুবা লৈতে। অদুম ওইনমক সিভ সেনাগী লুচিংবা একনাথ সিন্দেগী থবক থৌরমশিংদা থাজবা থম্বদগী মখোয় মশানা য়ানা চঙজরকখিবনি। হৌজিক হৌজিক সিন্দে ফেক্সনদা চীফ মিনিষ্টর মশা থারগা পুন্না সিভ সেনাগী এম এল এ ৪০ অমদি লোক সভাগী এম পি ১২ য়াওরি। অদুগা থাক্রেগী নাকনদনা এম এল এ ১৫ অমদি লোক সভা মেম্বর ৬ লৈহৌরি।

মুম্বাইগী বান্দ্রা কুরলা কমপ্লেক্সতা লৈবা এম এম আর দি এ গ্রাউন্দদা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা টিমনা দুসেরা রেল্লি পাঙথোখ্রবা মতুং এম পি তুমানেনা ফোঙদোকখিবদা হান্ন লৈরম্বা চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রে অমদি মহাক্না নক্লবা মীওই খরনা মখোয় মশাগী অনিংবা অপাম্বদা থবক তৌরকপদগী পার্টি মরক্তা চয়েৎনবা থোক্লকখিবনি। হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা একনাথ সিন্দেনা মহারাষ্ট্র মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা পাম্মী অদুগা উধব থাক্রেনা মহাক্কী মরী মতাশিংগী য়েংলগা থবক তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা পার্টি মরক্তা চয়েৎনবা থোকখিবনি। একনাথ সিন্দেনা থাক্রেগী মায়োক্তা লেপ্তুনা মহারাষ্ট্রদা সিভ সেনাগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবা অসি খুদিংমক্কী লাইবক ফবনি। চহী অসিগী জুন ৩০ দা একনাথ সিন্দে মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। অদুগা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা বি জে পিগী দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মতুংইন্না অমদি হেন্না চাওখৎপা মহারাষ্ট্র ওইহন্নবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরম খুদিংমক পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

## ম্যুনিসিপাল বোদিশিংনা লুপা ক্রোর লিশিং ৬ লান্না শীজিন্নখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখ্রে





ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

দেল্লিদা বি জে পি অমসুং এ এ পি অনীগী মরক্তা অকনবা মঙওংদা অৱাই অখুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী থবক কয়া চত্থনরক্লিঙৈ মরক অসিদা দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা লৈরিবা বি জে পিনা রন তৌবা ম্যুনিসিপাল বোদিশিংনা টোল টেক্সকী মিংদা খোমগৎখিবা লুপা ক্রোর ৬ কী মতাংদা থিজিলহন্নবা দেল্লিগী লেপ্টনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনাদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।

বি জে পিনা এপোইন্ট তৌরকখিবা লেপ্টনেন্ট গভর্ণর সক্সেনানা দেল্লিগী ফ্রি ইলেক্ট্রিসিটি স্কিমগী মতাংদা থিজিন্নবা চীফ সেক্রেটরিদা ওর্দর তৌখ্রবা মতুং দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা পাউখুম পীবা ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং ৬ কী স্কাম থিজিলহন্নবা তকশিনখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা লিকর পোলিসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক্তা শীরকপগা লোয়ননা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মায়থিবা নংলবা মতুং অমুক হন্না এ এ পি লৈঙাকপু মরাল শীনবা হোৎনরদুনা মীয়ামদা লেম্না মৈ ফংহনবগী মতাংদা থিজিন্নবা সেন্তরগী পপেট ওইরিবা লেপ্টনেন্ট গভর্ণরনা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখিবনি। মসিদসু এ এ পিগী লৈঙাক্লা চিংনবা অমত্তা লৈতে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লেপ্টনেন্ট গভর্ণরদা চহী অসিগী জুলাই থাদা বি জে পিনা রন তৌবা ম্যুনিসিপাল বোদিশিংনা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম অরানবা মঙওংদা শীজিন্নখিবা অদুগী মতাংদা সী বি আইদা থিজিলহন্নবা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎলক্তবদগী অমুক হন্না অইবা চেরোল পীশিন্দুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা নিংশিংখিবনি। বি জে পিনা চত্থরিবা অরানবা মখলগী থবক থৌওং কয়া অসিদা লেপ্টনেন্ট গভর্ণরনা ঙসি ফাওবা মিৎয়েং চঙবা লৈত্রি অমদি মনিং তম্না শেঞ্জা থুমজাগী থবক তৌহল্লি হায়না মনিস সিসোদিয়ানা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা সী বি আইনা ম্যুনিসিপাল বোদিশিংগী কেস অসিগী মতাংদা থিগৎহনগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শীরদুনা মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসল রেসিদেন্সতা সী বি আইগী র‍্যেদ থংন-থংননা চত্থহনখিবনি।

## ঔলি মিলিটরি বেজদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা খুলায় পুজা তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

উটরখন্দগী ঔলিদা লৈবা মিলিটরি বেজদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি বিজয়া দসামি থৌরমগা মরী লৈননা খুৎশু খুৎলায়শিং খুরুমদুনা থৌনিজবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খিবদা হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী জুন থাদা ইষ্টর্ন লদাখকী গালৱান ভেলিদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনাগী পি এল এগা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিনা উৎখিবা থোইদোক হেন্দোকপা থৌনা অদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঙসিসু নিংশিংলি। ইন্দিয়ানা মালেম অসি ইমুং অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোনদা চৎলি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন অসিদা অয়েৎ অকায় পীরক্তবা নত্তে। চাইনা অমদি পাকিস্তাননা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা থেঙননবগীদমক মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈগদবনি হায়দুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## হৌখিবা পুং ২৪ দা অনৌবা কেস ৩,০১১ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৩,০১১ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৭ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৩,০১১ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,০১,৮৩৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৩,৩১৮ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১৭ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৭৩৩ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৪ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৮ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিদগী পুন্না মীওই ৪,৪০,৩৯,৮৮৩ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

## ঐগী ইচানা ঐগী মহুৎ শিনগদবনি হায়বা চৎনবী লৈতে ঃ সিন্দে

মুম্বাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

পোলিটিক্সতা খোঙদারবা মতুং ঐনা পায়রিবা পার্টিগী পোষ্ট নৎত্রগনা লৈঙাক্কী ওইবা ফম অমা ঐগী ইচানা মহুৎ শিনগদবনি হায়বগী চৎনবী লৈতে হায়না মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা ফোঙদোকখিবা লোয়ননা সিভ সেনাগী ফাউন্দর বাল থাক্রেনসু পার্টি অসিগী লুচিংবা মহাক্কী মচানা ওইগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লমখিদে হায়রি।

দুসেরা থৌরমগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর সিন্দেনা মখা তানা হায়, অশেংবা লুচিংবা অমগী ৱাখল্লোনদি পার্টি অমগী লুচিংবা ওইরক্লিবা অদু মহাক্কী মচানুপানি, মহাক্কী মচানুপানা লুচিংবা ওইগনি হায়বা নত্তে। অদুবু উধব থাক্রেনা সিভ সেনাগী লুচিংবা অসি মহাক্লা ওইগদবনি হায়না লৈরি। মসি লাইবক থিবনি অমদি পোলিটিক্সতা মপুং ফাদবগী মমি অদু উৎথোকচরকপনি। অদুবু মতিক চাবা মীওই অমনা সিভ সেনাগী লুচিংবা ওইরকপা মতমদা মহারাষ্ট্রগী মীয়াম্নসু শোয়দনা তরাম্না ওক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা উধব থাক্রে সিভ সেনাগী অশেংবা লুচিংবা নত্তে হায়রি।

## লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী শেম শাবা হৌরগনি

ঔরঙ্গবাদ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক শেম শাবগী থবক চত্থবা হৌরগনি হায়না বি জে পিগী লিদর পনকাজা মুন্দেনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মমাঙগী টার্মদা পোষ্ট অমত্তা ফঙহৌদবগীদমক মহাক্লা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে হায়রি।

লৈখিদ্রবা বি জে পিগী লুচিংবা গোপিনাথ মুন্দেগী মচানুপী পনকাজা মুন্দেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা হীরম অমদা মায়োক য়াবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক্কী পুন্সিদা থেংনদুনা লাক্লবা অমদি থেংনগদবা ঙাক্তনি। মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপনসু হিংলিঙৈ মতমদা মপুং ফাবা পোলিটিকেল কেরিয়র অমা শেম্নবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরমখি। অদুবু শুপ্তগী চহী মরী মখায় খক্তমক লৈঙাক্তা য়াওবা ফঙখি। চপ মান্নমা মহাক্কী ওইনসু মপুং ফাবা পোলিটিকেল কেরিয়র অমা শেম্নবা পান্দম থল্লি। ঙসি পাঙথোকখিবা মহাক্কী দুসেরা রেল্লিদা তিনখিবা মীয়াম অদু উরুরবা মতুং য়ুনিয়ন হোম মিষ্টির অমিট শাহ অমসুং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দানা মহাক্কী রেল্লিদা থম্মোয় শেঙনা শরুক য়াখিবা মীয়াম অদুগীদমক থবক তৌনবা খঙহল্লকখ্রে। মহাক্কী মীয়াম্না মহাকপু পোষ্ট অমা পায়হনবা পাল্লি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দগী মহাক পোষ্ট অমত্তা পায়দনা লাক্লি। অদুম ওইনমক মসিদা মহাক্কী ওইনা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে হায়না বি জে পিগী লুচিংবী অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লুহোংবগী থৌরম য়াওরুরগা হল্লকপা বস এক্সিদেন্টতা মীওই ২৫ শিরে

পাওরি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

উটরখন্দগী মনুংচনবা পাওরি দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা লাইবকথিবা বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক অমদা মীওই ২৫ শিখিবগা লোয়ননা ২০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা লুহোংবগী থৌরম অমা পাওরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লালধাংদা য়াওরুরবা মতুং বিরোলখল খুঙ্গং তান্না অমুক হল্লকপগী লম্বীদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। বস অদুদা পুন্না মীওই ৫০ রোম তোঙলকখি। বিরোলখল চৎপগী লম্বীদা লৈবা শিমরি বেন মনাক নক্লা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। নুমিদাংগী মতম ওইবগা লোয়ননা ড্রাইভরনা বস অদু গোলাইগী শরুক্তা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী নাকনদা লৈবা লোকখাদা বস অদু তাশিনখিবনি।



থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিং মফম অদুদা চঙশিনবগা লোয়ননা অহিং চুপ্পা মী কনবগী থবক চত্থখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওইশিং বিরোলখল, রিখনিখল অমসুং কোটদ্বারদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চত্থখি হায়রি।

অমরোমদা, উটরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর পুস্কার সিংহ ধামি অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামেস পোখ্রিয়ালনা থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা শোকপদগী কোটদ্বার হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## পি এফ আইগী মেম্বর ২ ফারে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী) :

টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌওংশিংদা চেন্নৈ হায়বগীদমক লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর অনী ঙসি দেল্লি পুলিসনা ফারে হায়রি। পুলিসনা ফারবা পি এফ আইগী মেম্বর অনী অদুদি অন্সার অলি অমসুং মুহমদ সমননি। মখোয় অনী অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট প্রিভেন্সন এক্টকী মখাদা ফাখিবনি। এক্ট অসিগী মখাদা পি এফ আইগী মেম্বর ৪ অমসু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দেল্লি পুলিসনা ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোর্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং বুক তৌখ্রে হায়রি।

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 448 of 2022.**

App :- Khundrakpam Ramkishan Singh S/o Khundrakpam Nabakishor Singh of Chairel Khongnang Leikai.

-Vs-

Opp :- (L) Moirangthem Ningthemjao Singh S/o (L) Iboton Singh of Chairel.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 04/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 86-Chairel পাট্টা নং 440 দাগ নং 2071 এরিয়া .13 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4151/06

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 232 of 2022.**

App :-
1) Khumukcham Inaocha Meitei S/o (L) Kh. Babuchand Meitei of Kakching Khunou.
2) - do - Shyamsundar Meitei S/o (L) Kh. Babuchand Meitei of Kakching Khunou.

-Vs-

Opp :-
1) (L) Khumukcham Babuchand Meitei S/o (L) Tomba Singh of Kakching Khunou Tampakyum Leikai.
2) (L) Khumukcham (N) Chandramani Devi D/o (L) Chandrahas Singh of Kakching Khunou Tampakyum Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated : 04/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮১-ককচিং খুনৌ পাট্টা নং ৯১ দাগ নং ৩১ এরিয়া ০.৫৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/4151/06

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK

**Ref :- Mutation Case No. 303/SDC/YPK/22. Dtd. 11/8/22**

Parties :-
1. Maibam Ranjana Devi W/o (L) Okendrajit Singh of Langmeithet.
2. Maibam Ingoba Singh S/o (L) Thoiba Singh of Langmeithet.
-Petitioners

-Vs-

(L) Maibam Okendrajit Singh S/o Thoiba Singh of Langmeithet.
-OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Yairipok, 04/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioners শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১২০-লাংমৈথেৎ পাট্টা নং: অরিবা ৯৯ পাট্টা নং: অনৌবা ৩৩১ দাগ নং ১৮৫/৪৮৬ এরিয়া .১১৮৩ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মাইবম ওকেন্দ্রাজিৎ সিংহ পীং থোইবা সিংহ সাং লাংমৈথেৎতা লৈবীরম্বা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে, হায়রিবা Petitioners শিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা শোতোনি মরম অদুনা মৃতু পাটাদারগী মমিং ককথৎপীরগা Petitioners শিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে, মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি Notice অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ (৭) তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Yairipok

HL-P/2836/06

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI IMPHAL WEST DIST. MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 401/SDC/P of 2022.**

Angom Ibemhal Devi W/o (L) Maisnam Madhumangol Singh of Lalambung Takhellambam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Maisnam Madhumangol Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Lalambung Makhong Takhellambam Leikai. -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

The 27th Sept. 2022

U S 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার মাইস্নাম মধুমঙ্গোল সিংহ, পীং মৃ: ইবোতোম্বী সিংহ, সাং ললাম্বুং মখোং তখেল্লম্বম লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহসিলগী খুল নং ৮০- পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫৪৬, দাগ নং ১৮৮৭ অমসুং এরিয়ানা .৭৬ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থগরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4337/06

### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT

**Ref :- Mut. Case No. 414/SDC/P of 2022.**

1) Palmei Khangne S/o (L) Kaholongpou of Sangaiprou.
2) Palmei Majallung S/o (L) Kaholongpou of Sangaiprou.
3) Palmei Kathoibung S/o (L) Kaholongpou of Sangaiprou.
4) Palmei Kaloibung S/o (L) Kaholongpou of Sangaiprou.
-Petitioners

-Vs-

(L) Palmei Kaholongpou S/o (L) Dimping Kabui of Sangaiprou. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

29/09/2022

U/S (46) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মৃত পাট্টাদার পালমৈ কহোলোংপৌ পীং মৃত দিম্পিং কবুই সাং সঙাইপ্রৌ মদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিল খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবা অনৌবা পাট্টা নম্বর ১৮৫ গী হাল দাগ নম্বর ৪৮ গী এরিয়া .৭০ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি দংকারিশিংনা মখোয়গী সর্তনি অদুনা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থাররে। মরম অদুনা কনাগুম্বা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা য়েৎলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/4337/06

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 276/SDC/NTK/2022.**

K. Pouringai R. Naga S/o Gairingchngpou of Lamdan Kabui Village. -Petitioner

-Vs-

(L) Gairingchungpou Naga S/o (L) Gaining of Lamdan. -Opponent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 27th September 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি 43-Ningthoukhong Awang গী Patta No. 412 (O) 174 (N) C.S Dag. No. 213 গী Phourel ক্লাস অসিগী পাটাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী “মচানুপা” (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে, মরম অসিনা Phourel class অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা “Apati” অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Ningthoukhong**

HL-P/4333/06

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: OINAM

**Ref :- Mutation Case No. 290 of 2022.**

Dareingam Thanga S/o (L) Thangareng Thanga of Bungte Chiru (Khullen). -Applicant

-Vs-

(L) Thatihek Chiruni W/o (L) Thangareng Chiru of Bungte Chiru. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam the 5/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩-ঙাইখোং খুনৌগী পাট্টা নং ৩২ (অনৌবা) দাগ নং ৮/১০ এরিয়া ০.৭৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/4334/06